চৈবী এসোসিএসনগী ২৪শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

# অহানবা নেসনল চৈবী চেম্পিয়নশিপ ২০২৩গী ওক্টোবরদা পাঙথোক্লগনি




ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচএনএস): ওলমণিপুর চৈবী এসোসিএসনগী চহী ২৫ ফারকপা সিলভর জুবিলী থৌরমগা মরী লৈননা খূদোল ওইনা অহানবা নেসনল চৈবী য়েন্দম্নবা চেম্পিয়নশিপ ২০২৩গী ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট লাইরেনলাকপম বিরহরি মীতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মহাক্না ঙসি খোংমন ওক্রম চুথেক্তা লৈবা মীহুলস থাঙ-তাগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসনগী ২৪শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসন অসি অহল-লমনশিংনা কুমজা ১৯৯৬-৯৭গী মতমদা কুপ্পা খন্নরবা মতুং ১৯৯৮গী ওক্টোবর থাদা লিংখৎখিবনি।

মশান্না অসি হৌজিক য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা শান্নরবনিনা তঙাইফদনা অহল-লমনশিংগা তানদুনা নেসনলগী থাক্তগী চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থৌরমগা মরী লৈননা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা খুন্নাই অসিগী তাঙলবা লন অমা ওইরিবা য়েলহৌ মশান্না চৈবীগীদমক থৌনীজখি।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসনগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওক্রম মংলেম মীতৈনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি এসোসিএসনগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

দি সী চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ

# জাফৌ অমদি রিভরলেন সেমীফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচএনএস): দি এস এ চান্দেলনা শীন্দুনা চথরিবা দি সী চান্দেল ট্রোফি সেকেন্দ দিভিজন লীগকী ঙসি জাইওন্টলাং গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা রিভরলেন য়ুঠ ক্লব অমদি জাফৌ য়ুঠ ক্লব সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা রিভরলেন য়ুঠ ক্লবনা মন্ত্রি পান্থা য়ুঠ ক্লবপু ৭-৩দা মায়থীবা পীখি।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা স্কোর ২-২দা দ্রো ওইখি। মখা তাবা অনীশুবা হাফতা মন্ত্রি পান্থাগী গোল ১ অদুগা রিভরলেনগী মায়কৈদগী গোল ৫ হাপচিন্দুনা ৭-৩দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমীফাইনেল চঙলকখিবনি।

রিভরলেনগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ঐচ বি ওলিভরনা ২ অদুগা এস আর দেনি, এন এল গ্লেদসন, দব্লিয়ু এল জয়লাশ, পি এস বেনিঙম অমদি পি এস থানিৱারনা অমমম্ চনবা ঙমখি। মন্ত্রি পান্থাগী গোলশিং অদুনা দি বি ৱেলসিং, রেংথোউ অমদি অংলার্শিংনা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা জাফৌ য়ুঠ ক্লবনা পুরুমতম্পাক স্পোর্টিং ক্লবপু ২-১দা মায়থীবা পীখি।

জাফৌগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু এস ঐচ অলফ্রেদ অমদি ৱাংলর এসনা চনবা ঙমখি অদুগা পুরুমতম্পাক্কী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মালচোংনা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ২ শান্নরগনি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা য়ুঠ স্পোর্টিং ক্লব থল্লা অমদি চান্দেল খৃষ্টিয়ন য়ুঠ ক্লব থেংনরগনি। অরোইবা ক্বার্টরদা এস এ এস এ অমদি য়ুনিসা লম্বা তৌনরগনি।

# কে এম ব্লুমিং স্কুলনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচএনএস): য়াইরিপোক য়ুনিভর্সেল কোলেজগী ফিজিকেল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট অমদি ১৬শুবা অসাম রাইফলস অনীনা খূৎশম্নদুনা শীনবা অহানবা ৱাই য়ু সী কপ ৯-এসাইদ ইন্টর স্কুল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সিনিয়র কাঙলূপ্তা কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল খাঙবোকনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা অজাদ হায়র সেকেন্দরি স্কুলবু ১-০দা মায়থীবা পীখি।

এম দি ইমরানননা শান্নবগী ১৪ শুবা মিনটতা কে এম ব্লুমিংগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল খাঙবোকনা চেম্পিয়ন ওইরকপদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল য়াওনা ওজাশিংনা শান্নরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

# ষ্টেট জম্প রোপ চেম্পিয়নশিপকী মতম অহোংবা লৈরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচএনএস): স্পোন্টেনস এসোসিএসন ওফ জম্প রোপ মণিপুরনা শীন্দুনা ওক্টোবর ২২দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ৪শুবা সব-জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সিনিয়র ষ্টেট লেভেল জম্প রোপ চেম্পিয়নশিপ ২০২২ অদুগা ওক্টোবর ৮দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ৩শুবা ষ্টেট লেভেল জম্প রোপ টেক্নিকেল (জজেজ এন্দ রেফরি) সেমিনার অনীগী মতম হান্না লেপ্লম্বদগী অহোংবা লৈরগনি হায়না এসোসিএসনগী সেক্রেটরি মককময়ুম অনিশ খাননা খঙহল্লক্লি।

ষ্টেট লেভেল চেম্পিয়নশিপকী ওইনা দিসেম্বর ২৪দগী ২৬ ফাওবা ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইরিপোক্তা লৈবা তুলিহল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না দিসেম্বর ১৫ ফাওবা ওইগনি।

টেক্নিকেল সেমিনারগী ওইনা নবেম্বর ২৬ অমদি ২৭তা য়াইরিপোক্তা পাঙথোক্কনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না নবেম্বর ১৮ ফাওবা ওইগনি হায়রি।

# থাঙ-তা নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচএনএস): ‘থাঙ-তা ফোর এন্দ ইথিকেল ৱে ওফ লাইফ’ হায়বা পান্দমদা কিমাক্সকী মীৎয়েং মখাদা থাঙ-তা দে ওবজর্ভেসন কম্মিটিনা কুমজা ২০১৮দগী হৌদুনা তোঙান-তোঙানবা পান্দম কয়াগা লোয়নননা পাঙথোক্তুনা লাকপগুম চহী অসিগী ওইনা থা অসিগী ১৬তগী হৌদুনা পাঙথোরক্লিবা থাঙ-তা নুমিৎ থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা পাখংবা হুয়েল লাল্লোংশিন্দম শঙ (পাহুলাসি) অৱাং খুনৌ ব্রাঞ্চুতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী চ্যেরমেন লাইতান্থেম ধমেন্দ্রো মৈতৈ অমদি ব্রহ্মচারিময়ুম বিলকিনা মহৈরোয়শিং অমদি শিন্দমলোয়শিংদা থাঙ-তানা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা লৌরক্লিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা শুগায়না খঙহনখি অমদি থাঙ-তাগী মহৈরোয় অমা ওইনা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিংগী মতাংদসু মচা খাইনা তাকপী-তম্বীখি।

সিনিয়র নেসনল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপ

# মণিপুর ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা য়ানা লৈখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচএনএস): ৱেষ্ট বেঙ্গলনা য়ূম্নু ওইদুনা কোলকাটাগী জ্যোটিরমোই নোলেজ পার্কতা চথরিবা ৩২শুবা সিনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন্স নেসনল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা নুপা অমদি নুপীগী রেগু ইভেন্টতা মণিপুরনা গ্রুপকী নুপাগীদা মেটচ ৫ অমদি নুপীগীদা মেটচ ৪ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা য়ানা লৈখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী রেগু ইভেন্টকী গ্রুপ সীগী মেটচশিংদা মণিপুরনা মহারাষ্ট্রবু ২-০ (২১-১১, ২১-৮); ৱেষ্ট বেঙ্গলবু ২-০ (২১-১২, ২১-৯); ঝরখন্দবু ২-০ (২১-৬, ২১-৩); উত্তরখন্দবু ২-০ (২১-১৩, ২১-১৭) অমদি তেলঙ্গনাবু ২-০ (২১-১৮, ২১-১৬)তা মায়থীবা পীখি।

ষ্টেটকী নুপা টিমনা গ্রুপ সীগী অরোইবা মেটচতা উত্তর প্রদেশকা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, নুপীগী রেগু ইভেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ ৪দা মণিপুরনা উত্তরখন্দবু ২-০ (২১-৯, ২১-৬); গুজরাটপু ২-০ (২১-৯, ২১-৬); গোৱাবু ২-০ (২১-৬, ২৫-২৪) অমদি অন্ধ্র প্রদেশপু ২-০ (২১-৮, ২১-৯)দা মায়থীবা পীখি।

মণিপুরনা মিজোরাম অমদি নাগালেন্দগা গ্রুপ এগী মেটচতা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্টর কোলেজ ফুটবোল

# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন মোইরাং কোলেজ সেমী চঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী লমজিং মখাদা মোইরাং কোলেজনা শীন্দুনা চথরিবা এ প্রতাপ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ফুটবোল (মেন) টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন মোইরাং কোলেজনা খা-মণিপুর কোলেজপু টাই ব্রেকতা ৫-৩দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল অমমম্ চন্নদুনা দ্রো ওইখি। কে ঐচ মঙ্গিজাওনা শান্নবা হৌরকপগী ১৩শুবা মিনটতা মোইরাং কোলেজকী গোল চনবা ঙমখি। অদুগা হেরিসননা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা খা-মণিপুর কোলেজকী ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখিবনি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা খা-মণিপুরগী মায়কৈদগী হেরিসন অমদি জিদানননা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা মোইরাং কোলেজকী মায়কৈদগী এন অর্বিন্দ, অকাশ, মনোরঞ্জন অমদি সুখের্জিৎনা গোল ওন্থোক্তুনা ৫-৩দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা লিবরেল কোলেজনা ৱাই কে কোলেজপু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

হৈস্নাম অর্বিন্দ অমদি টি ঐচ জজোনা শান্নবগী ৩৮ অমদি ৬৩ শুবা মিনটতা লিবরেল কোলেজকী মায় পাকপগী গোল ২ অদু চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনী শান্নরগনি। অনীশুবা ক্বার্টরদা নাওরেম বিরহরি কোলেজ অমদি মঙ্গোলঙানবী কোলেজ থেংনরগনি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা এন জি কোলেজ অমদি রেবর্ন কোলেজ শান্নরগনি।

এ ইবোতোন য়ু-১৫ বোইজ থর্দ দিভিজন লীগ

# বি এফ এ অমদি আর এফ সী সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচএনএস): দি এস এ বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৭শুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল থর্দ দিভিজন অন্দর-১৫ ফুটবোল লীগ ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা বি এফ এ নাচৌ অমদি আর এফ সী সী কৈনৌ ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফতা কৈনৌগী এন সনাথোইনা শান্নবগী ৪৪শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা নাচৌগী এ ক্রিশনা শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে ৱাই ভি ও এন্দ এস দব্লিয়ু সী খুনফমনা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাইবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।



ফাইরেম দব্লিয়ুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনটতা খুনফমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লদুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৯দগী ১৫ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী মেটচশিং শান্নগদবনা মরম ওইরগা চথরিবা লীগ অসিগী মখা তাবা মেটচশিং মতম কক্তনা য়েথোক্লে হায়রি।

# ষ্টেটকী শান্নরোয় ১২ ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌনবা খল্লক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচএনএস): থাইলেন্দগী পট্টায়াদা দিসেম্বর ২দগী হৌদুনা ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা থাইলেন্দ ওপন ইন্টরনেসনল অর্বান গেমস ২০২২দা ইন্দিয়ন কিক বোক্সিং টিমদা শরুক য়ানবা ষ্টেটকী শান্নরোয় ১২ অমদি ওফিসল ৩ খল্লক্লে হায়না কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এস উমাকান্তনা খঙহল্লক্লি।

খনগৎলবা ওফিসলশিং অদুদি য়াম্নেম গোবিন (কোচ), সরুংবম উমাকান্ত (রেফরি/জজ) অমদি থৌনাওজম নিরঞ্জয় (ওফিসল)নি।

শান্নরোয়শিং অদুনা নুপাগী কেদেট কাঙলূপ্তা খুন্দ্রাকপম লমঙানবা (কেজি ২৮), ঙাংখোম রিশিকান্ত (কেজি ৪০) অমদি নাওরেম বোনি (কেজি ৪৮); জুনিয়র নুপাগীদা সরুংবম পুইনাকান্ত অমদি য়াঙম্বম থোইথোইবা মীতৈ (কেজি ৫২); সিনিয়র নুপাগীদা রাজকুমার রোনিশ (কেজি ৫৬) অমদি রাজকুমার নেলসন (কেজি ৬৩.৫); জুনিয়র নুপীগীদা খুমন্থেম সর্জু (কেজি ৫২); সিনিয়র নুপীগীদা সরুংবম জুলিয়া (কেজি ৬০)নি।

রাজকুমারী নেমথেনুনা নুপীগী কেজি ৪৫ অদুগা নুপাগীদা অচানবা চিংঙাখম (কেজি ৩৮) অমদি ৱাইখোম হিরাজ (কেজি ৬০)নি।

# এ রুপাবন মণিপুর রোৱিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচএনএস): মণিপুর রোৱিং এসোসিএসনগী অহানবা ফাউন্দর মেম্বরশিংগী ওইবা জেনরেল বোদি মীফম অমা থা অসিগী ১৬তা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা মণিপুর ওলিম্পিক ভৱনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্লবা মতুং এ রুপাবনবু য়েৎনবা লৈতনা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট খনখ্রে।

ভাইস প্রসিদেন্টতা পি ইবোহল, এস শ্যামকেশ্বর অমদি এ কে ইবোয়াইমা; সেক্রেটরিদা কে ব্রজমণি মৈতৈ; জোইন্ট সেক্রেটরিদা ডা. কে কোসনা মৈতৈ অমদি জি চন্দ্রজিৎ; ট্রেজররদা কে নিলমণি খনখি।

এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা এল চন্দ্রসেন, প্রো. এম মহেন্দ্র, গোপিমোহোন মাইবা, এম দেবেন্দ্র, এ জিতেন, বি চন্দ্রসেখর অমদি টি ঐচ অরুনবু খনখি।

# গভর্ণরস কপ ফেন্সিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচএনএস): মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা ১৮শুবা গভর্ণরস কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ নবেম্বর ২৫দগী হৌদুনা ২৯ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম কুমারনা খঙহল্লক্লি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিং অমদি ফেন্সরশিংনা মখোয়গী চহীগী রেজিষ্ট্রেসন অমদি রিন্যু নবেম্বর ১৮ ফাওবগী মনুংদা তৌহৌনবা খঙহল্লক্লি। মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম কুমারদগী খঙলবা য়ারগনি হায়রি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# রোবর্টো মার্টিনেজগী মখাদা বেলজিয়মনা রসিয়া ২০১৮দগী হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা হোৎনগদৌরি






বেলজিয়মগী হেদ কোচ রোবর্টো মার্টিনেজ মেন্টোলু

অৱাবা পূম্নমক কাউথোক্তুনা পূন্না য়েংমিন্নগদবা নুমিৎ ৩২নি খক্তা ঙাইশিল্লক্লে

কোচ রোবর্টো মার্টিনেজগী লিচিং মখাদা অনৌবা শান্নরোয়শিং খরা হাপচিন্দুনা বেলজিয়মনা ২০১৮ রসিয়া ৱর্ল্ড কপতা পীখিবা পর্ফোর্মেন্সতগী হেন্না ফজনা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা পীবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

মার্টিনেজগী লিচিং মখাদা ২০১৮ ফিফা ৱর্ল্ড কপতা বেলজিয়মগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীখিবগা লোয়নননা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি। মহাক্কী লিচিং মখাদা বেলজিয়মনা ২০১৮দগী ২০২২ ফাওবা ফিফা ৱর্ল্ড রেঙ্কিং ১দা লৈহনখিবনি।

চহী অসিগী জুন থাদা পাঙথোকখিবা য়ু ঈ এফ এ নেসন্স লীগকী মেটচ ৪দা বেলজিয়মনা নেদরলেন্দসকী মখূৎতা ১-৪দা মায়থীখ্রবা মতুং পোলেন্দগী মথক্তা ৬-১ অমদি ১-০দা মায়থীবা পীখি অমদি ৱেলসকা ১-১দা দ্রো ওইখিবনি।

হান্না চেলসিদা শান্নরম্বা অমদি হৌখিবা সিজনদা রিয়াল মাদ্রিদনা য়ু ঈ এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগ ট্রোফি থাঙ্গৎখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা বেলজিয়মগী গোলকিপর থিবো কোত্রানা নেসন্স লীগকী মেটচশিং শরুক য়াহৌদ্রবসু কটার ২০২২ অসিদা রেদ দেভিলস টিমগী অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরি। মহাক ইন্টরনেসনল মেটচ ১০৮ শরুক য়াদুনা লৈবাক্কী খ্বাইদগী য়াম্না কেপ কিপর ওইরি।

কোচ মার্টিনেজনসু হেন্না থাজবা থম্লিবা চহী ১৫গী ইন্টরনেসনল এক্সপরিয়েন্স লৈবদা নৎতনা ইন্টরনেসনল কেপ ১৩৯ শান্নদুনা নেসনল রেকোর্দ থম্লিবা ভর্তোংহেননা রেদ দেভিলসকী রিয়র গার্দ ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরি।

বেলজিয়ন ৱিজার্দ হায়রগসু খঙনবা নেসনল টিমগী খ্বাইদগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয়সু ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মিদফিল্ডর কেভিন দে ব্রুইননা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা বেলজিয়ম ফেনশিংদা ৱর্ল্ড কপ মায় পাকপগী নুংঙাইবগী ঈথিল অমা পীনবা হোৎনগদৌরি।

রেদ দেভিলসকী সপোর্টরশিংগী খ্বাইদগী পাম্নবা শান্নরোয় অমা ওইবদা নৎতনা ইন্টরনেসনল মেটচ ১০২ শরুক য়াবদা গোল ৬৮ চনখিবা লৈবাক্কী মাংজিল থারিবা গোল খ্বাইদগী য়াম্না চনবা ঙম্বা হান্না চেলসিদা শান্নরম্বা হৌজিক্না ইন্টর মিলানদা লৈরিবা ষ্ট্রাইকর রোমেলু লুকাকুনা কটার ২০২২দা বেলজিয়মগী এটেকপু হেন্না মপাঙ্গল কন্নবা হোৎনগদৌরি।

তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংদা শান্নবদা কি পর্ফোর্মর ওইরিবা এজল ৱিটসেলনা মহাক্কী তোপ-তোপ্পা টেক্নিক অমদি বোল ৱিন্নিং স্কিল শীজিন্নদুনা মায় পাক্না কেম্পেন চথনবা হোৎনগদৌরি।

কটার ২০২২দা মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা বেলজিয়মগী শান্নরোয় ৫



থিবো কোত্রা (গোলকিপর) | জেন ভর্তোংহেন (সেন্টর বেক) | এজল ৱিটসেল (মিদফিল্ডর) | কেভিন দে ব্রুইন (মিদফিল্ডর) | রোমেলু লুকাকু (ষ্ট্রাইকর)

| Date | Match Details (Grp-F) | Venue |
|---|---|---|
| November 23 | Belgium vs Canada | Ahmed Bin Ali Stadium |
| November 27 | Belgium vs Morocco | Al Thumama Stadium |
| December 01 | Belgium vs Croatia | Ahmed Bin Ali Stadium |

কে এস ঐচ লৈহাও সুপর দিভিজন লীগ

# ৱাই দব্লিয়ু য়ু, কে এম এস দব্লিয়ু সী ফাইনেলদা থেংনরগনি



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ২০শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী সুপর দিভিজন লীগকী ফাইনেলদা গ্রুপ এগী ৱিন্নর য়ুঠ ৱেলফ্যের য়ুনিয়ন (ৱাই দব্লিয়ু য়ু) ককচীং অমদি গ্রুপ বিগী ৱিন্নর কৈরক মখা সোসল ৱেলফ্যের ক্লব (কে এম এস দব্লিয়ু সী) কৈরক অনীনা থা অসিগী ২১গী নুংথিল পুং ১.৪৫দা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা হিয়াংলমগী এম এল এ ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নামনা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা দি এস এ ককচীংগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ইবোবীনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়ারগনি।

লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী অরোইবা মেটচতা সোসল ৱেলফ্যের ক্লব (এস দব্লিয়ু সী) ৱাইখোংনা জুভেনাইল এসোসিএসন (জে এ) ককচীংবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

এস তোন্দোনবনা শান্নবগী ৩৫ অমদি ৪৯ শুবা মিনটতা ৱাইখোংগী মায় পাকপগী গোল অনীমক চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরি সী ঐচ সেমসননা ককচীংগী ৱাইরাহুল অমদি ৱাইখোংগী এস জেব শান্নবগী ৩০ অমদি ৫৩ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

# ইন্দ্রজিৎকী গোলনা এস জে সী চাওনা মায় পাকখ্রে


ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮(ঐচএনএস): ইন্দ্রজিৎনা চনখিবা গোল ৬ অদুগা অজিৎকুমার অমদি মুষ্টাফানা চনখিবা গোল ৩/৩, রোনাল্ডোগী ২ অমদি অর্লেক্সকী ১গী মতেংনা এস জে সী সলামনা এম এস সী মালোমবু লাকচনা ১৫-০দা চথরিবা ৫শুবা এস ঐচ মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি ৱাই দব্লিয়ু সী গ্রাউন্দ মালোমদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্দ্রজিৎকী গোলশিং অদুনা শান্নবগী ১৩, ১৫, ১৭, ৩০, ৪৩ অমদি ৫১ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অজিৎকুমারগী গোল ৩ অদুনা শান্নবগী ১৯, ২৪ অমদি ৩৩ শুবা মিনটতা চনখি। মুষ্টাফাগী গোলশিং অদুনা শান্নবগী ৫৮, ৬৯ অমদি ৭১ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে এস ৱাই সী হিয়াংথাংনা পি টি সী সী পাৎসোইবু ২-১দা মায়থীবা পীখি।

হিয়াংথাংগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু ঈ অলবর্ট অমদি এম সৈত্যমনা শান্নবগী ৩০ অমদি ৫৬ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। পাৎসোইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা প্রিতমনা শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 603**

**Jacques Mieses - Theodor Von Scheve**
**Monte Carlo Rice Monte Carlo (9), 1904**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.f4 exf4 | 3.Nf3 g5 | 4.h4 g4 | 5.Ne5 Nf6 |
| 6.Bc4 d5 | 7.exd5 Bd6 | 8.O-O Bxe5 | 9.Re1 Qe7 | 10.c3 f3 |
| 11.d4 Ne4 | 12.Rxe4 Bh2+ | 13.Kxh2 Qxe4 | 14.g3 O-O | 15.Bd3 Qxd5 |
| 16.Qd2 Re8 | 17.Qh6 Re2+ | 18.Bxe2 fxe2 | 19.Qe3 Bd7 | 20.Qxe2 Na6 |
| 21.Be3 Re8 | 22.Nd2 Bc6 | 23.Nc4 Re4 | 24.Re1 f6 | 25.Qf1 Qe6 |
| 26.Qd3 Qd5 | 27.Qf1 Re6 | 28.Nd2 b5 | 29.b3 Qd7 | 30.c4 bxc4 |
| 31.bxc4 Qe7 | 32.Qf4 Bf3 | 33.d5 Re5 | 34.Nxf3 Re4 | 35.Qf5 gxf3 |
| 36.Qxf3 Qe5 | 37.Kg2 f5 | 38.Qh5 Nb4 | 39.Qg5+ Kh8 | 40.Bf4 Qb2+ |
| 41.Kh3 Rxe1 | 42. ... | | | |

**QUESTION :**

**White to win**

**Puzzle 602 Ans. :**

22. Qh6 Bf5 23. Nxh5 Rg8 24. Re8 Mating net
The white rook deflects Black's queen away from protecting the square f6. Qxe8 25. Qf6+ Rg7 26. Qxg7# Damiano's knight mate
22. Qh6 Bf5 23. Nxh5 Rg8 24. Re8 Qg5 25. Qxg5 1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com